# পি এম নরেন্দ্র মোদিনা ২শুবা তার্মগী ৱাশক লৌদ্রিঙৈ মমাঙ হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি উন্নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা মাগী ২শুবা তার্মগী ৱাশক লৌদ্রিঙৈগী নুমিৎ নীনিগী মমাঙ, ঙসি অয়ুক হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি উন্নখ্রে। মহাক্না প্রনাব মুখর্জিবু ষ্টেটসমেন অমনি হায়না শীংথাখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মঙোন্দা হান্নগী প্রসিদেন্ট মুখর্জিনা অথুম-অহাও পীজবগী পিকচর অমা ত্বিট তৌখি। প্রনাব দা গা উন্নবসি মতম পূন্নমক্তা পূক্নিং-লৌশিং পীবগী তাঙ্কক অমনি। মহাক্কী লৌশিং-জ্ঞান অমসুং মনূং থিৎনা উবা ঙম্বা অসি লম্বা লৈতে। মহাক অসি ঐখোয়গী লৈবাক্তা মমল নাইদ্রবা দান পীবীবা ষ্টেটসমেন অমনি। ঙসি উন্নবা অদুদা মঙোন্দগী চানবীবা অমসুং থৌজাল নিজখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ত্বিট তৌখি।

প্রনাব মুখর্জিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু মাগী সবকা সাথ, সবকা বিকাস, সবকা বিশ্বাস (মীপূম খুদিংমক্কী শৌগৎপা, মীপূম খুদিংমক্কী চাওখৎপা, মীপূম খুদিংমক্কী থাজবা)হায়বা মাগী ভিজন অদুগীদমক থাগৎলদুনা ত্বিট অমদা পূং অমা খরা হেল্লপনা পাউখুম পীখি।

নহাক্না হেন্না থৌনা লৈনা সেকেন্দ ইন্নিংসতা চংশিল্লকপা অসিদা নহাক্কী ভিজন অদু ফংবা ওইসনু হায়না নঙোন্দা ফোঙদোকচরি হায়না সিটিজন মুখর্জিনা হায়খি।

লোক সভাগী লানফমদা বি জে পিবু পাক্তক্লনা মায় পাকপগী লন্বীদা লূচিংখিবা অদুগী মতূংদগী প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱাশক লৌগদৌরিবা অদুগী মাঙওইননা সিনিয়ার লূচীংবশিং মথঙ মথঙ উন্নরক্লি। মহাক্কী অচৌবা মায় পাকপা অদুগী হেক নোংঙানবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা বি জে পি ভেটরানশিং - এল কে অদবানি, মুর্লি মনোহর জোশি উন্নখি অমসুং মখোয়দগী থৌজাল নিজখি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লোক সভাদা সিট ৩৪৩গী মনূংদা বি জে পিনা সিট ৩০৩ ফংদুনা অমসুং ওপোজিসনবু নেৎখাইরম্লগা শগোলশেল নুমিৎতা অচৌবা মায় পাকপা ওইরকখিবনি।

প্রনাব মুখর্জিনা ২০১২তগী ২০১৭ ফাওবা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরমখি। নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টকী রিকমেন্দসনদা মহাকপু জনুৱারিদা ভারত রত্না পীখি।

# ঙমখৈদা নার্কোটিক্স পুথোক-পুশিন তৌবা উপায় লৈত্রবা রোহিঙ্গাশিং ফাখ্রে



*ধাকা, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* ম্যান্মারগা বাংলাদেসকা লোন্নবা থিংজিনখ্রবা ঙমখৈ লাম্ভোক্তু না মখোয়গী চাকখাও মনূংদা নার্কোটিক্স পিলশিং পুদুনা শিবা-চঙবগী খুদোঙথিবা মায়োক্নরিবা রোহিঙ্গা রিফ্যুজিশিংগী মশীং য়ান্না হেনগৎলক্লি হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

২০১৭দা ম্যান্মার মিলিটরিগী ওপরেসন অমদগী বাংলাদেসতা চেনশিল্লকখিবা নুপী কয়ামরুম য়াওবা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং অদু হন্দক থা খরসিগী মনূংদা দ্রগ পুথোক-পুশিন তৌরুরবা মতূংদা হল্লকপদা ফাগৎলে হায়না পুলিসনা হায়খি।

থা অসিগী নুমিৎ অদা ঙমখৈদা লৈবা টাউন তেকানাফ মনাক্তা এন্টি-দ্রগ স্কৱাদনা রোহিঙ্গা ১৮ ফাখি অমসুং মখোয়গী মনূংদা ১৩দি মখোয়গী চাকখাও মনূংদা 'য়াবা মেথামফেতামিন' পিলশিং য়াওরমখি হায়না নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ওফিসিয়েল সোমন মোন্দোলনা হায়খি।

ম্যান্মারনা বাংলাদেস অমসুং অতৈ খা-নোংপোক এসিয়া লৈবাকশিংদা শিজিন্নবা য়ান্না হেন্না হেনগৎলক্লিবা- থাইগী ৱাহৈদা 'য়াবা' হায়বদি ক্রেজি মেদিসিন হায়রিবদু য়ান্না পুথোকপা লৈবাক অমা ওইরক্লি।

নার্কোটিক্স অদু পুবগী খোঙচৎ অমমমগীদমক রিফ্যুজিশিংনা তাকা ২,০০০ (দোল্লর ২৩৭) ফাওবা তানবা ঙম্মি। রোহিঙ্গা অমগীদমক্তি মসি য়াম্লবা শেনফম অমনি হায়না মোন্দোলনা হায়খি।

হায়রিবা দ্রগ অসি এক্স-রে মচিনশিং লৈতবা বোর্দর পোষ্টশিংদা খঙব ঙমদনবা চাকখাও মনূংদা পুই।

লাইররবা রিফ্যুজি মিল্লিয়ন অমরোম কেম্পশিংদা লৈরিবা খা থংবা বাংলাদেসতা য়াবা পুশিন্নবা দ্রগ গেংশিংনা শিজিন্নে অমসুং মদুদগী মী মিল্লিয়ন ১৬৫গী লৈবাক অসিগী মফম পূন্নমক্তা থাখি হায়না এন্টি - নার্কোটিক্স ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ঙমখৈ লাম্ভোক্তুনা পুনবগীদমক দ্রগ পুবা রোহিঙ্গা রিফ্যুজি অমনা য়াবা পিল ৫০০দগী ২,০০০ ফাওবা য়াওবা প্লাষ্টিক খাও অমা য়োৎশিল্লি হায়না মোন্দোলনা মখা তাখি।

হন্দক থা খরসিদা য়াবা পিল লিশিং চা কয়াগা লোয়ননা রোহিঙ্গা রিফ্যুজি ৭০ রোম ফাগৎখ্রে হায়না তেকানাফ বোর্দর টাউনদা বাংলাদেস বোর্দর গার্দ চীফ ফাইজাল হাসন খাননা হয়খি।

হৌখিবা চহীদা রোহিঙ্গা রিফ্যুজি ২০ য়াওনা দ্রগ ট্রাফিক্কর ৪০০ ওপরেসন অমদা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা ফাওবদসু য়াবা পুশিল্লকপা হেনগৎলক্লি হায়না টেকানাফতা পুলিসকী রেপিদ এক্সন বটাল্লিয়ন (আর এ বি)গী মকোক অজিম অহমেদনা হায়খি।

# GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/04/19
Sl. No. : 2500
Valid : 08/04/19
Sl. No. : 1771
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 11/04/19
Valid : 09/04/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 22/04/19
Valid : 13/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon

**Khumbong Indane**
Booking : 29/04/19
Valid : 28/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 09/05/19
Valid : 10/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m..

**Misao Gas Service**
Booking : 10/05/19
Valid : 18/04/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 25/04/19
Valid : 18/04/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas Agency**
Booking : 29/04/19
Valid : 24/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 03/05/19
Sl. No. : 254380
Valid : 29/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 08/05/19
Valid : 29/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 22/04/19
Valid : 31/03/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stok : 306, 19kg 106
Time : From 08.00 a.m.

**Phayang Indane**
Booking : 14/05/19
Valid : 09/05/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 08/04/19
Valid : 25/03/19
Sl. No. : 47071
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas Nambol**
Booking : 04/05/19
Valid : 02/05/19
Sl. No. : 31312 to 31707
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Jemon Gas Service, Singjamei**
Booking : 29/03/19
Valid : 16/03/19
Sl. No. : 55050
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

## বি জে পি টিকেটতা মায় পাকখিবা হান্নগী কোংগ্রেসমেন ৪ ৱাশক লৌখ্রে

*অহমেদাবাদ, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* লোক সভা মীখলগা লোয়ননা হন্দক পাংথোকখিবা গুজরাতকী এসেমব্লি বাইপোলশিংদা হান্না কোংগ্রেস পার্টিদা লৈরম্বা বি জে পি কেন্দিদেট ৪ মায় পাক্লকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী মেম্বর ১৮২ লৈবা এসেমব্লিদা বি জে পিগী মশীং ১০৪ শুখ্রে।

এম এল এ ৪ অদু লোয়নমক ঙসি এসেমব্লি বিল্ডিংদা স্পিকরগী চেম্বরদা চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি, বি জে পি ষ্টেট য়ুনিট প্রসিদেন্ট জিতু বঘানি অমসুং মিনিষ্টরশিংগী মাঙদা এসেমব্লি স্পিকর রজেন্দ্র ত্রিবেদিনা ৱাশক লৌখি।

# ঝরখন্দদা নকসালগী বোম এটেকতা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ১১ শোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* ঙসি অয়ুক ঝরখন্দদা সরাইকেল্লাগী কুচাই এরিয়াদা ইম্প্রোভাইজ এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আই ই দি) অমা পোকখায়বদা সি আর পি এফ অমসুং ষ্টেট পুলিসকী পার্সোন্নেল ১১ শোকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংগী মতূং ইন্না বোম অদু নকসালশিংনা পোকখায়হল্লকপনি হায়রি। সি আর পি এফকী স্পিসিয়েল জঙ্গল ৱারফিয়ার য়ুনিট কোব্রা অমসুং ষ্টেট পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কুচাই এরিয়াগী ফোরেষ্টতা ওপরেসন চঙবদা বোম অদু ঙসি পূং ৫ রোম তাবদা পোকখায়রকখিবনি।

আই ই দি অদু জঙ্গল অদুগী নাতৈচাদবা লম্বী অমগী মখাদা ফুমদুনা থম্লমখিবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

সি আর পি এফকী কোব্রা কম্মান্দোগী য়ুনিটকী পার্সোন্নেল ৮ অমসুং ষ্টেট পুলিসকী ৩ পূনা শোক্লবা পার্সোন্নেল ১১ অদু ষ্টেটকী কোনূং রাঞ্চিদা নোংথক লম্বীদা পুখ্রে।

জোইন্ট টিম অদু ষ্টেট অসিদা এন্টি-নক্সাল ওপরেসনশিংদা দিপ্লোই তৌরিবা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী কম্মান্দো বট্টালিয়ন ফোর রিসোলুট এক্সন (কোব্রা)গী ২০৯ শুবা বাট্টালিয়ননা লূচীংখিবনি।

# রাজস্থানগী অশোক গেহলোত, সচিন পাইলোত অমসুং প্রয়াঙ্কা গান্ধীনা রাহুল গান্ধীগা উন্নখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী ফমদগী থাদোক্লবা মহাক্কী ফিরেপ হোংউ য়াদনা লৈখিবা অমসুং রাজস্থানদা মীখল মায়থিবগী পেন্নদবা মরক্তা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মহাক্কী মচননুপী প্রয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রগা লোয়ননা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অশোক গোলোত অমসুং দিপুটি চীফ মিনিষ্টর সচিন পাইলোতনা মহাকপু উন্নবা লাকখ্রে।

সচিন পাইলোতনা রাহুল গান্ধীবু মহাক্কী ময়ুমদা উন্নখি। মদুগী মতূংদা অসোক গেহলোতনা উন্নখি। উন্নদুনা খন্ন-নৈনখিবা অদুদা রাহুল গান্ধীগী মচননুপী কোংগ্রেস জেনরেল সেক্রেটরি প্রিয়াঙ্কা গান্ধীসু য়াওখি।

পার্টিগী ৱাঙাংলোই মকোক ওইরিবা রন্দীপ সুরজেৱাল অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি কে সি ভেনুগোপালসু পার্টি প্রসিদেন্ট অসিবু মাগী তুঘলক লেনদা লৈবা য়ুমদা উন্নখি।

রাহুল গান্ধীনা প্রসিদেন্ট ফম থাদোক্লবগী ফিরেপ অদু হন্দোক্লবা থাংজ নুমিৎতগী হৌনা কোংগ্রেসকী সেনিয়ার ওইবা লূচীংবা পূন্নমক্না মাবু য়াহন্নবা হোৎনরক্লি। অদুবু পার্টি প্রসিদেন্ট ফমদগী থাদোক্লবা মহাক্কী ৱারেপ অদুদগী রাহুল গান্ধীনা লেঙদনা লৈখিবগু তৌরি।

হন্দক্কী মীখলদা পাক্তক্লনা মায়থিবগী মিংচৎ থীবা অমা মায়োক্লরিবা কোংগ্রেসকী মনূংদা পেন্নদবা অমসুং চরাংনবা থোক্লি। কোংগ্রেস পার্টিনা অরুবা অসিগুম্বা ৱাথোক অমা থেংনরি অমসুং করনাতকা অমসুং রাজস্থান অনীমক্তা লৈরিবা পার্টিগী গভর্ণমেন্টশিং অদুসু বি জে পিনা মুন্নবা হোৎনরি হায়বগী পাউ থোরক্লি।

রাজস্থানগী লোক সভা সিট ২৫ অদু এন দি এনা ফংদুনা ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস মখুৎ হাংদুনা লৈহৌখি। হৌখিবা চহীগী মেদা জে দি (এস)কা পূল্লগা গভর্ণমেন্ট অমা শেমখিবা করনাতাকাদা লোক সভা সিট ২৮গী মনূংদা কোংগ্রেসনা সুপ্নগী অমখক ফংহৌখি।

লোক সভা মীখল ভোট মশীং থিখিবগী নুমিৎ নীনিগী মতূং থাংজ নুমিৎতা রাজস্থানগী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা লোক সভা মীখল মায়থিখিবা অদুগী দায়ত্ব কনানো হায়বদু লেপ্পবা অমসুং থবক লৌখৎনবা দিমান্দ তৌনরকখি।

রাহুল গান্ধীনা কেরলাদা অতোপ্পা লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অমদগী মায় পাক্লবসু উত্তর প্রদেশতা গান্ধী শাগৈগী মহৌশাদগী অকনবা মফম ওইরক্লিবা অমসুং মহাক মশামক্না হান্নদগী এম পি ওইরক্লিবা অমেথি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী স্মৃতি ইরানিগী খুৎতা মায়থিদুনা ঈকাইবা নংহৌখিবনি।

# অমাজোন জেলদা গেঙশিং খূৎ থোক্লবশিংদা য়ামদ্রবদা বন্দি ৪০ মখৌরি মেৎতুনা হাৎখ্রে



*শাও পাউলো, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* নোংমাইজিং নুমিৎতা ব্রাজিলদা জেল মনূংদা য়েঙথিনবা গেঙ কাংবু অনী খূৎ থোক্নখিবদা মীওই ১৫ শিখিবা মফম অমাজোন জঙ্গল সিটি মানাওসতা লৈবা জেল ৪দা য়ামদ্রবদা ঙরাংসু বন্দি ৪০ খৌরি মেৎতুনা হাৎখ্রে।

বন্দি মশেন খূৎ থোক্নরিবদু খামদোক্ননবা ফেদরেল টাস্ক ফোর্স অমা মফম অদুদা থাজিনখ্রে। ব্রাজিলদা লৈবা জেল পূন্নমক্তা দ্রগ গেংশিংনা খূৎকন -পাঙ্গলনা পাল্লি অমসুং জেলদা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং অয়াম্বা মতমদা থুনা শন্দোকই।

জনুৱারি ২০১৭দা অৱাং থংবা অমসুং অৱাং-নোংপোক থংবা ব্রাজিলগী জেলশিংদা ব্রাজিলগী খ্বাইদগী চাওবা দ্রগ গেং ফ্রেক্সন ২-ফার্ষ্ট কেপিটেল কম্মান্দ অমসুং রেদ কম্মান্দনা শৌগৎপা মফমদুগী গেংশিং অমগা অমগা ওনশিন্নদুনা চয়োল ৩ চুপ্পনা হাৎনরকপদা বন্দি ১৫০ রোম শিখি।

অমাজোনাস ষ্টেট পিনিটেনসিয়ারি দিপার্টমেন্টতগী থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শিখিবা মশীং হান্না ৪২নি হায়রম্বদুদগী কোন্না ৪০নি হায়না শেমদোরকখি অমসুং হৌজিক জেল ৪ অদুদা ওথোরিটিজনা লাক্সিনবা ঙম্লে হায়খি। মসি নত্তনা অতৈ মখা তাবা পাউ পীখিদে।

তোঙান তোঙানবা জেল ৪দা বন্দিশিং মখৌরি মেৎতুনা হাৎলমখিবা অদুগী মতূংদা ব্রাজিলগী অমাজোনস ষ্টেটতা লৈবা প্রিজন কমপ্লেক্স অমগী মমাঙদা লৈখিদ্রবা বন্দিশিং অদুগী মরী-মতাশিং পেন্দবা ফোঙদোকখি।

মসিগী নোংমগী মমাঙ নোংমাইজিং নুমিৎতা মানাওসতা জেল অমদা য়ামদ্রবদা বন্দি ১৫ হাৎখিবদু ফিবুন নম্লগা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবনি হায়না ওথোরিটিজনা হায়খি।

# চাকখাওদা কোকেন পুরকপা জপানিজ শিখ্রে

*মেক্সিকো সিটি, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* বোগোতাদগী টোকিওদা পাইরকখিবা চাকখাও অমসুং ইন্টেষ্টাইনশিংদা কোকেন পেকেট ২৪০ রোম পুরকখিবা জপানিজ অমা প্লেন পাইরিঙৈ মনূংদা শিখ্রে হায়না অৱাং থংবা মেক্সিকোদা ঙরাং ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে। মফম অদুদা প্লেন অদু ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখি।

য়ুদো 'এন' হায়নখক্তমক মশক তাকপা চহী ৪২ শুরবা মীওই অদু কলম্বিয়াগী কোনূং বোগোতাদগী মেক্সিকো সিটিদা লাকখ্রবগী তূংদা মশা অদু শারৈহৌবগু তৌরকখিবনি। মীওই অদুনা মশা নিকপা অমসুং শারৈ হৌবগু তৌরকপা অদু ফ্লাইট এটেন্দেন্টশিংনা খঙলকপদগী সোনোরা ষ্টেটকী হেরমোসিলোদা ইমরজেন্সি লেন্দিং অমা তৌনবা অয়াবা পীনবা হায়জরকখি হায়না সোনোরাগী প্রোজিক্যুটরস ওফিসনা হায়খি।

ওটোপসি তৌবদা মীওই অদুনা অমমমনা সেন্টিমিটর ২.৫ চাওবা কোকেন পেকেট ২৪৬ য়োৎশিল্লকখিবনি হায়বা খঙখি।

অতৈ পেসেঞ্জর ১৯৮ পুরকখিবা মেক্সিকো সিটিদগী টোকিওদা পাইরকখিবা এরোমেক্সিকো প্লেন অদু হকচাং অদু থল্লমলবা তূংদা অমুক পাইখ্রে।

# ইরান এদভাইজরগী নুপী য়ুমদা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

*টেহরান, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিগী এদভাইজর অমগী লোয়নবী নুপী অমা মাগী য়ুমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়না লৈবাক অসিগী সেমি- ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

আই এস এন এ ন্যুজ এজেন্সিগী ঙসিগী পাউ অদুনা হায়, মিত্রা নজাফিবু অৱাং থংবা টেহরানদা হাৎখিবনি। মহাক টেহরানগী হান্নগী রিফোর্মিষ্ট মেয়র অমা অমসুং রৌহানিগী নক্নবা অমা ওইরিবা মুহমদ আল্লি নজাফিগী অনীশুবা নুপীনি।

এজেন্সিগী পাউ অদুনা অতৈ মখা তাবা পাউ মরিক চুন্না ফোঙদোকখিদে। অসিগুম্বা নোংমৈনা কাপ্পগী হিংশা অসি ইরানদা, মরুওইনা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল অমসুং ইকোনোমিককী থাক ৱাংবশিংগী লৈফম অৱাংথংবা টেহরানগী মফমশিং তাঙনা থোকই।

স্কুল সো অমদা নহা ওইরিবী নুপীমচাশিংনা জগোই শাবা অমদা মহাকসু শরুক য়াবা উৎপা ভিদিও অমগী মতাংদা মহাকপু হার্দ লাইনরশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লকখিবা মতূং ২০১৮দা নাজাফিনা মেয়র ফমদগী রিজাইন তৌখিবনি।

# পাকিষ্টানগী এফ-১৬শিংনা লাকচবা হেনখিবদগী আই এ এফনা সুখোই ফাইটরশিংদা ইজরেলি মিসাইল পানশিনগদৌরি



*ন্যু দিল্লি, মে ২৮(এজেন্সি)ঃ* চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৭তা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স (আই এ এফ)কী সুখোই-৩০ ফাইটরশিংগী রাসিয়ানা শাবা আর -৭৭ মিসাইলশিং অদু লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমদা লাম্ভেংনবদা সোখহৌখিবা অদুগী মতূংদা হৌজিক চহী ২ রোমগী তূংদা জেটশিং অদুদা ইজরেলি দেরবাই এয়ার-টু-এয়ার মিসাইলশিং পানশিল্লবা য়ারি।

ঐখোয়গী হান্নমা মিসাইল অদু স্পাইদর (সর্ফেস-টু-এয়ার মিসাইল) সিষ্টেমগী শরুক ওইনা লৈরে। মিসাইল অদু আই এ এফকী এস য়ু -৩০শিংদা হাপচিল্লগনি হায়না ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী লিখুলশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সনা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা ফাইটর ২৪গী অচৌবা ফোর্মেসন অমনা ইন্দিয়াদা এটেক তৌনবগী ফিভম শেমদুনা লৈখি। জেটশিং অদুদগী খরনা রাজৌরি সেক্টরদা ইন্দিয়ান মিলিটরি পোজিসনশিংদা প্রিসিজন -গাইদেদ গ্লাইদ বোমশিং কাপথনবা হোৎনখি।

হৌজিক হৌজিক আই এ এফ সুখোই -৩০না রসিয়াদা শাবা এয়ার-টু-এয়ার মিসাইলশিং শিজিন্নরি।

য়ু এসনা শাবা এ আই এম -১২০ সি ৫ এদভান্স মেদিয়ম রেঞ্জ এয়ার-টু-এয়ার মিসাইল (এ এম আর এ এ এফ) কয়ামরুম ইন্দিয়াগী প্লেনশিং তম্না কাপশিলক্নবা হোৎনবদু খঙবদগী সুখোই ৩০ এম কে আই জেট ২ য়াওনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স ফাইটর ৮ পাকিষ্টানগী ফোর্মেসন অদুবু মরক থৎনবা থাজিনখি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা পাকিষ্টান ওকুপাই কাস্মির মনূংদগী এয়ার-টু-এয়ার মিসাইলশিং কাপ্তুনা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্সপু খংপ্রেক খংহনখি হায়না কার্গিল ভেটরান অমা ওইরিবা শামীর জোসিনা হায়খি।

পাকিষ্টাননা পান্দম থল্লকখিবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স ফাইটরশিংগী মনূংদা সুখোই-৩০ অনীনা কিলোমিটর ১০০গী মেক্সিমম রেঞ্জ লৈবা অমসুং ক্লোজ রেঞ্জদা কাপ্পা এ এম আর এ এ এমশিং অদুদগী নাম্ভোক্নবা হোৎনরকখি। পাইশিল্লক্লিবা এ এম আর এএ এমশিং অদুদগী নাম্ভোক্নবা উপাই লৈতবা ফিভমদা হোৎনদুনা আই এ এফ সুখোই-৩০ ফাইটরশিং অদু কাপথখিগদৌবদগী উচিন-নাচিন নাম্ভোক্লকখি। অদুমকপু মখোয়গী পোজিসন মফম চাদবা লোয়ননা রসিয়ান আর -৭৭ মিসাইলশিং অদু পাকিষ্টানগী ফাইটরশিং অদুদা এটেক তৌনবগী রেঞ্জ লৈতবনা পাকিষ্টানগী এফ ১৬শিং অদুদা খূৎ হনবা ঙমখিদে।

রসিয়ান মিসাইলশিং অদু মখোয়গী এদভর্টাইজ রেঞ্জগা চান্নদে অমসুং কিলোমিটর ৮০ হেনবদা লৈবা টার্গেটশিংদা থাবা ঙমদে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-135**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | 8 | | | 9 | 1 | |
| | | 7 | | | 1 | | 8 | 4 |
| 5 | | | | 6 | 9 | 7 | | |
| | | 9 | | 1 | 4 | 8 | | |
| 7 | 3 | 6 | | | | | | 1 |
| 8 | | 4 | 9 | | | | | 7 |
| | 9 | | | 7 | | | 4 | |
| 1 | | | 6 | 4 | | | | |
| | 7 | | 1 | | 8 | | | |

**সনা-সুদোকু - ১৩৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 6 | 1 | 3 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 4 | 8 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 6 | 2 | 5 | 1 | 9 |
| 6 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 7 | 9 | 5 |
| 5 | 1 | 3 | 9 | 7 | 6 | 2 | 4 | 8 |
| 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 5 | 6 | 3 | 1 |
| 1 | 2 | 6 | 5 | 9 | 4 | 8 | 7 | 3 |
| 9 | 7 | 4 | 6 | 3 | 8 | 1 | 5 | 2 |
| 8 | 3 | 5 | 2 | 1 | 7 | 9 | 6 | 4 |